# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, JULY 7, 2014, PAGE 7




*অর্জেন্টিনানা ক্বাটর ফাইনেলদা বেলজিয়মবু শুপ্নগী গোল ১ দা মায় পাক্তুনা সেমি চঙবদা লৈবাক অসিবু শৌগৎপা মীয়াম্না হরাওবা ফোঙদোকপা।*

*ৱার্ল্ড কপকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ য়েংবা লাকখিবা বেলজিয়ম অমদি নেদরলেন্দসপু পুক্নিং থৌগৎলিবা ভাবোকশিং।*



## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ৱার্ল্ড কপ

# ৱার্ল্ড কপ অসিগী অনিশুবা সেমিফাইনেলদা অর্জেন্টিনা অমদি নেদরলেন্দ থেঙনরগনি

*রিও দি জেনেরো, জুলাই ৬ঃ*

ৱার্ল্ড কপ ২০১৪ গী অনিশুবা সেমিফাইনেল মেটচতা অর্জেন্টিনা অমদি নেদরলেন্দ থেঙনরগনি।

অহানবা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অদুদা অর্জেন্টিনানা বেলজিয়মবু গোল ১–০ দা থোইদুনা সেমিফাইনেল চঙলকখিবনি। অর্জেন্টিনাগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচ অদুগী ৮ শুবা মিনিটতা গোঞ্জালো হৈগুইননা চনখিবনি। মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী ইদেন হৈয়াদপু রেফরিনা অনস্পোর্টিং ওইবগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচ অদুগী ৬৮ শুবা মিনিটতা টিম অসিমক্কী তোইবে এন্দ্রিৱিন্দরবুসু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচ অদুগী ৭৫ শুবা মিনিটতা অর্জেন্টিনাগী লুকাস বেজিলিয়াবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমসু বুক তৌখি।





মেটচ মনুংদা বেলজিয়ম্না পোরিবা পাঞ্জিল অদু হন্দোক্লবা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা হনবা লৈতনা গোল চন্নবা হোৎনখি। টিম অসিগী শান্নরোই এম ফিলানিনচিংবা শান্নরোইশিংনা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। মহাক্তা নত্তনা লুকাকুনচিংবা শান্নরোইশিংনা গোল ওইবা য়াবা বোল কয়া পুশিন্দুনা গোল ওন্থোক্লবা হোৎনরবসু গোল চনবা ঙমদনা মায়থিবা নংখি।

নীংশিংবা য়াই অর্জেন্টিনাগী মখুত্তা মায়থিহৌরবা বেলজিয়ম অসি গ্রুপ ঐচতা লৈবগা লোয়ননা মখোয়গী গ্রুপ অদুদা লৈমিন্নরিবা লৈবাকশিংবু থোইদুনা গ্রুপ অসিগী অহানবা পোজিসন তাদুনা প্রি ক্বাটর চঙলকখিবনি। বেলজিয়ম্না অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচতা অলজেরিয়াবু ২–১ দা থোইখি। অনিশুবা ওইনা রুসিয়াগা শান্নবদা ১–০ দা থোইখি অদুগা সাউদ কোরিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদসু গোল ১–০ দা মায় পাকখিবনি।

প্রি ক্বাটরদা বেলজিয়ম্না য়ু এস এ বু ২–১ দা মায়থিবা পীরমদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখি। অর্জেন্টিনাসু গ্রুপ এফ তা মহাক্কা লৈমিন্নরিবা টিমশিংবু মায়থিবা পীরন্নগা গ্রুফ এফকী অহানবা পোজিসন তাদুনা প্রি ক্বাটর চঙলকখিবনি। অর্জেন্টিনা অহানবা মেটচতা বোসিনিয়াবু ২–১ দা থোইবা ঙমখি। অনিশুবা ওইনা ইরানগা শান্নবা মেটচ অদুসু ১–০ দা মায় পাকপা ঙমখি। অরোয়বা ওইনা নাইজেরিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদা ৩–২ দা থোইদুনা প্রি ক্বাটর চঙলকখিবনি।

প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা অর্জেন্টিনানা স্বিবজর্লেন্দবু গোল ২–০ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখিবনি। টিম অসিনা বেলজিয়মবু ১–০ দা থোইবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

সেমি ফাইনেলদা মখোয়গা থেঙনগদৌরিবা নেদরলেন্দ অসি ৱার্ল্ড কপতা লৈবাক অসিগা থেংনবা অনিরক শুবা ওইগদৌরি। অহানবা ওইনা লৈবাক অনি অসি অর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৯৭৮ গী কপ অদুগী ফাইনেলদা থোঙনখি। আর্জেন্টিনানা নেদরলেন্দপু মায়থিবা পীদুনা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখি।

অমরোমদা অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা নেদরলেন্দ অমদি কোষ্টারিকাগা শান্নবদা ফুল টাইম লোয়বা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। ফুল টাইম লোয়দুনা এক্সত্রা টাইম মিনিট ৩০ হাপ্তুনা শান্নবদসু লৈবাক অনিনা গোল চনবা ঙম্নদবদগী কিকস ফোর্ম পেনালটি মার্কনা (টাইব্রেক) দিসাইদ তৌখি।

টাইব্রেক অদুদা নেদরলেন্দনা গোল ৪ চনবা ঙমখি অদুগা কোষ্টারিকানা গোল ৩ চনখি। কোষ্টারিকাগী গোল ওইবা য়াবা বোল ২দি নেদরলেন্দ টিমসকী গোলকিপর ওইরিবা টিম ক্রুলনা সেফ তৌদুনা গোল চলহনখিদবনি।

মেটচ অদুগী ৩৭ শুবা মিনিটতা কোষ্টারিকাগী জুনিয়ার দিজাবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোই মাইকেল উমানাবু ৫২ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেটচকী ৮১ শুবা মিনিটতা কোষ্টারিকাগী জিলানকারলো গোঞ্জালিসপু অদুগা জোনি এসক্রোটানা ১০৭ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

নেদরলেন্দগী মায়কৈদা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখিবা শান্নরোই ব্রুনো মার্লিনপু ৬৪ শুবা মিনিটত অদুগা ক্লোসজেন হন্টলরবুনা ১১১ শুবা মিনিটতনি।

ত্রাইব্রেক অদুদা গোল চনখিবা কোষ্টারিকাগী শান্নরোইশিং অদুদি সেলসো ব্রোগেষ্ট, গিলানকার্লো গোঞ্জালিস অমদি খৃষ্টিনা বার্লোনোসনি। নেদরলেন্দকী মায়কৈদা গোল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুনা রুভেন ভেন পর্সি, অর্জেন রুবেন, ৱেষ্টলি সর্নেজর অমদি দ্রিক ক্যুট নি।

নেদরলেন্দ টিম অসি গ্রুপ বি দা তোপ ওইবগা লোয়ননা প্রি ক্বাটর চঙলকখিবনি। মখোয়না অহানবা শান্নবা মেটচতা মমাঙ ৱার্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখিবা স্পেনবু গোল ৫–১। অনিশুবা মেটচতা অষ্ট্রেলিয়াবু গোল ৩–২ দা অদুগা অরোয়বা মেটচতা চিলিবু ২–০ দা থোইদুনা প্রি ক্বাটর চঙলকখি। প্রি ক্বাটরদা নেদরলেন্দনা মেক্সিকোবু গোল ২–১ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

নেদরলেন্দ ৱার্ল্ড কপকী হিষ্ট্রিদা ১০ রক হন্না শরুক য়াবদা ৩ লক ফাইনেল চঙবদা রনর্স অপ তাখি। মখোয়না রনর্স অপ তাখিবদা খ্বায়দগী নকপা মমাং ৱার্ল্ড কপ ২০১০ দা স্পেনগা শান্নখিবা ফাইনেল অদুদা স্পেনগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা ৩লক শুবা ওইনা রনর্স অপ তাহৌখি। মমাংদা রনর্স অপ ওইখিবা চহিশিং অদুদি ১৯৭৪ দা ৱেষ্ট জর্মনগী মখুত্তা অদুগা ১৯৭৮ দা আর্জেন্টিনাগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা রনর্স অপ তাহৌখিবনি।

ইং ১৯৯৮ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা নেদরলেন্দ সেমি ফাইনেলদা ব্রাজিলগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা ক্রোএসিয়াগা থার্দ প্লেসকী মেটচ শান্নখি। মদুদা ক্রোএসিয়াগী মখুত্তা মায়থিদুনা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি। লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ারকপদা খ্বায়দগী ফজবা পার্ফোমেন্স অসি মথক্তা পল্লিবা মরি অসিনা ওইরি। মখোয়গা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা অর্জেন্টিনা ৱার্ল্ড কপগী হিষ্ট্রিদা হন্দক্কী অসি থারগা ১৬ রক শরুক য়াবদা অনিরক চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা অনিরক রনর্স অপ ওইখ্রবা লৈবাক অমনি।

ইহান হানবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা অর্জেন্টিনা ফাইনেল চঙবগা লোয়ননা উরুগ্বেগী মখুত্তা মায়থিদুনা অহৌবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা রনর্স অপ তাহৌবনি। মসিগী মতুংদা অর্জেন্টিনা ১৯৯০ দা ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। মসিদা ৱেষ্ট জর্মনগী মখুত্তা মায়থিদুনা অনিরক শুবা ওইনা রনর্স অপ ওইখিবা লৈবাক অমনি।

অর্জেন্টিনা ১৯৯০ গী ৱার্ল্ড কপ অসিগী মতুংদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লাকখিবা লৈবাক অমনি। মসিগী মথক্ততসু ৱার্ল্ড কপ খরদা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমদনা শরুক য়াখিদবসু য়াওখি। হন্দক লৈবাক অসিনা কপ অসিদা সেমি ফাইনেল চঙলকপসি চহি ১৬ কী মতুংদনি। হন্দক অর্জেন্টিনাগা সেমিফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা নেদর্লেন্দ অসি মমাংদা থেংনখিবদা মখোয়না মায়থিবা পীখিবনি। মদুসু অর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা ১৯৭৮ দা পাঙথোকখিবা কপ অদুগী ফাইনেলদনি। য়ুম্বু ওইখিবা অর্জেন্টিনাগী ভাবোকশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা লৈবাক অসিনা নেদরলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা অদুগী মতুংদগীদি লৈবাক অনি অসি ৱার্ল্ড কপতা অমুক হন্না থেংনরকপসি হন্দক্কী সেমি ফাইনেল অসিদনি। মসিদা নেদরলেন্দসু কুইনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখি। মখোয়না ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ারকখিবসি ইং ২০০৬ তা জর্মন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা অমুক হন্না ক্বালিফাইদ ওইদুনা শরুক য়ারকখি। চহি অদুদা নেদরলেন্দ য়াম্না ঙন্না লৈহৌখি।

লৈবাক অসিনা ইং ২০০৬ কী ৱার্ল্ড কপ অদুদা গ্রুপ লিগতা মায়থিদুনা লৈহৌখি। মথংগী ৱার্ল্ড কপ হায়বদি ২০১০ গী কপ অদুদা ফাইনেল ফাওবা য়ৌখিবা লৈবাক অমনি। হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা নেদরলেন্দ অফবা টিম অমা ওইবগা লোয়ননা ফাইনেল য়ৌগনি হায়না পান্নরি।

কপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিল অমদি জর্মন শান্নগদৌরি। জর্মন অমদি ব্রাজিল ৱার্ল্ড কপকী হিষ্ট্রিদা ফাইনেল মেটচতা থেংনখিবসি ইং ২০০২ দা কোরিয়া জপান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কপ অদুদনি। মসিগী মমাংদা লৈবাক অনি অসি ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা থেংনখিদ্রি। হন্দক সেমি ফাইনেলদা থেংনবা অসিনা লৈবাক অনি অসি থেংনবদা য়াম্না য়েংবা নুঙাইগদবা মেটচ অমা ওইগদৌরি। মখোয় অনি অসিগী মনুংদা অকাবা অদুনা হন্দক্কী কপ অসিগী মপু ওইবা ঙমগনি হায়না আশা চাওনা তৌনরিবা লৈবাকশিংনি।



জর্মনিনা ইং ২০০২ দগী হৌনা লেপ্তুনা সেমি ফাইনেল চঙলকপা লৈবাক অমনি। ২০০৬ তা লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ইটালিগী মখুত্তা সেমিফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা পোর্টুগালগা থার্দ প্লেসকী মেটচ শান্নবদা মায় পাক্তুনা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখিবা লৈবাক অমনি।

মমাংগী ৱার্ল্ড কপ অদুদসু জর্মন সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা উরুগ্বেগা থার্দ প্লেসকী মেটচ শান্নবদা মায় পাক্তুনা অহুমশুবা তাহৌখি। মসিগা থারগা লৈবা অসিনা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবসি ৪ রক শুবা ওইরি।

অহানবা ওইনা লৈবাক অসিনা ৩ শুবা পোজিসন তাখিবসি ইং ১৯৩৪ দা ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদনি। মসিগী মতুংদা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদসু জর্মননা উরুগ্বেবু মায়থিবা পীদুনা অনিরকশুবা ওইনা কপ অসিদা থার্দ তাখি।

হৌজিক ফাওবদা জর্মন্না ৪ শুবা পোজিসন তাহৌবসি অমুরক্তা ঙাইহরি। চহি অদুদি ইং ১৯৫৮ দা স্বিবদেন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ফ্রান্সকী মখুত্তা মায়থিদুনা ৪ শুবা তাহৌখিবা অসিনি।

অমরোমদা মখোয়গা থেংনগদৌরিবা ব্রাজিল অসি হৌজিক ফাওবদা কপ অসিদা লেপ্তুনা শরুক য়ারিবা লৈবাক অমনি। লোয়ননা মখোয়না ফাইনেল ৭ চঙবগী মনুংদা ৫ রক হন্না চেম্পিয়ন ওইখ্রবা লৈবাক অমনি। ব্রাজিলনা রনর্স অপ তাহৌখিবা চহি অদুদি ইহান হানবা ওইনা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ১৯৫০ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা উরুগ্বেগী মখুত্তা মায়থিদুনা রনর্স অপ তাহৌখি। মথংদা ১৯৯৮ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা য়ুম্বু ওইরিবা ফ্রান্সকী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা রনর্স অপ তাহৌখি।

লৈবাক অসিসু থার্দ প্লেসকী মেটচ অনিরক হন্না শান্নবদা মায় পাকখ্রবা লৈবাক অমনি। মখোয়না থার্দ প্রেসকী মেটচ শান্নখিবা চহি অদুনা ১৯৩৮ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহি অদুদা অহানবা ওইনা ৩ শুবা তাদুনা ৱার্ল্ড কপতা ব্রাজিলগী অনৌবা ইতিহাস অমা শেম্বা হৌখি।

মখোয়না অনিরক শুবা ওইনা ৩ শুবা পোজিসন তাখিবসি অর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা ১৯৭৮ দা পাঙথোকখিবা কপ অদুদা ইটালিবু মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। মসিগী মমাংদা ৱেষ্ট জর্মনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ব্রাজিল পোলেন্দগী মখুত্তা মায়থিদুনা অহানবা ওইনা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি।



হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপতা চেম্পিয়নদগী হৌরগা মরিশুবা পোজিসন ফাওবা ফংখিবসি ১০ রক শুখ্রে। মসি মখোয়না কপ অসিদা ২০ লক শরুক য়াবদা ১০ রক মনা ফংখিবনি।

ব্রাজিলগী টিম অসিদা মীয়াম্না পান্নরিবা অফবা শান্নরোই অমসু ওইবতা নত্তনা হন্দক্কী কপ অসিদা টোপ স্কোররগী কন্টেষ্টতা য়াওরিবা প্লে মেকর নেন্মার (জুনিয়ার) কপ অসিগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা কলম্বিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা কলম্বিয়াগী শান্নরোই অমনা হেদ্দিং তৌবগী খুদোংচাবা লৌরগা মহাক্কী খ্বাংদা নন্নম্বদগী বোন ফ্রেকচর ওইদুনা মখা তানা মেটচ য়াওররোই। অরুবা মেটচ অসিদা শান্নরোই অসি য়াওদবনা ব্রাজিলগী মায়কৈদা অৱাবা অমাদি মায়োক্লগদৌরি।






## অনৌবা কম্মিটি শেম্লগনি

প্রাইমারি হেল্‌ঠ সব সেন্টর নুঙ্গৈগী অনৌবা দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমা লাক্লিবা জুলাই তাং ১০, ২০১৪ ইংগী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা প্রাইমারি হেল্‌ঠ সব সেন্টর অসিদা কম্মিটি শেম্বগী মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকচরগনি। থৌরম অসিদা মতম চানা লাকপিনবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবাঃ
Md. Sahid Anuwar
President
Primary Health Sub Centre
Development Committee, Nungei

SL/3631/07